# মোবাইল ফোন কাঙলোন চুম্না শীজিন্নসি

মতম মতমগী

গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

জুলাই ১৮, ২০২৫ ঙাইনরম্বনি হৌখ্রে, লোইখ্রে। খন্নরম্বদু ওইখিদ্রে, ঙাইনরম্বদু কান্নখিদ্রে, নীংবা কায়বা মীগী মশীং য়াম্লমগদবা মাল্লি। মতাং মতম চাদবা, অশেংবা হৌরকফম খঙদবা সোশল মীদিয়াগী পাউদা ৱাখলনা দলান শাগৎলুরবদি নীংবা কায়বা নত্তনা করি ওইগনি? মতম খরগী মমাঙদগী সোশল মীদিয়াদা ৱাই চাইরকখিবা পাউ অমা থেংনখি "মণিপুর লৈঙাক শেল্লনি" হায়বগী পাউনি, ইচম চম্বা পাউ নত্তে, জুলাই ১৮দা ৱাশক লৌরনিবু হায়খিবনি, মসিনসু লোইদ্রি ৱাশক লৌবগী থৌরমদা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ শরুক য়ারনি ফাওবা হায়খিবনি। চীফ মিনিষ্টর ওইরকপা য়াই হায়বা মীওই অনীগী ফোটোগা লোয়নননা থাগৎলকখিবনি। মখোয় অনীগী মনুংদগী অমনা চীফ মিনিষ্টর ওইরনি হায়বগুম্বনি। কনানা অহানবা ওইনা থাগৎলকপনো হায়বদুমক্তি চপ চানা খঙহৌদ্রবসু মথং-মথং স্যের তৌনরক্তুনা ফেসবুক্তা ৱাই চাইখি। মীওই কয়াগী ৱাকিংগী, লৈপুংগী, লৈরক মচিনগী চা হোটেলগী মরু ওইবা টোপিক অমা ওইনা নৈনখি। সেন্টরগী লুচিংবশিংগী থৌজাল ফংদুনা করিগুম্বা লমদম অসিদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেল্লক্লবদি মিনিষ্টর শোয়দনা ওইবা য়াই হায়না খঙনবা এম এল এশিং মপান থোক্লা চেন চোংদুনা হরাওবা ফোঙদোক্ত্রবসু মখোয়গা নক্লবা, মখোয়গী খোঙমী লান্মীশিংদি নুংঙাইবগী পন্দোম লোল্লমগনি। জুলাই ১৮ য়ৌরকপা অমদি লোইখ্রবা মতুংদগীদি লৈঙাক লাকপা য়াবগী আশা পূন্নমক ভঙ্গা (কায়খি) ওইখি। মখা তাবা পাউ লৈখিদ্রে, দ এন্দ লাকখ্রে, দ্রামা লোইশিনখ্রে।

ফেসবুক কালিফোর্নিয়াদা হেদ ক্বার্টর ওইবা অমেরিকাগী মল্টিনেশনল টেক্নোলোজি কম্পনি ওইরিবা মেটাগী সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্ম অমনি হায়বদি অমুক তাক্লরুদ্রবসু মীপূম খুদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফম অমনি। মার্ক জুকরবর্গনা মপু ওইরিবা থৌমী লিশীং ৭৬ রোম লৈবা প্লেটফোর্ম অসিগী পাউ ফাওননবা লৈরিবা ফেসবুক, ইন্সটাগ্রাম, থ্রেদস, মেসেঞ্জর অমদি ৱাটসএপ খঙদবা মীওই কয়া য়াম্না মালেমদা লৈরমগনি? অঙাংদগী হৌরগা নহা-অহল খাক্তনা মমিংদং পনবদা পূন্নমক্লা খঙলমগনি অমুক নৌহৌননা তাক্লুবগী মথৌ তাদ্রবনি। ইমুং মনুংগী মীওইশিংদগী হৌরগা মরুপ মপাংশিংগা লোয়নননা খঙন-চান্নবা মীওই খুদিংমক্কা পাউ ফাওনবগা লোয়নননা ফোটো, ভিদিও অমদি মেসেজ কয়া থাদোক-থাজিন তৌনবা য়ারবা প্লেটফোর্মনি। কাঙলোন চুম্নবু শীজিন্নরবদি কান্নখ্রবা পোৎশক অমনি। মসিনা পীরিবা কান্নবশিংগী মরক্তগী খুদম ওইবা য়াবা পাউ অমতং লৌখৎলগা য়েংমিন্নসি, থা অসিগী হৌখিবা ২০দা ইন্দোনেসিয়াগী কে এম ভর্সেলোনা কৌবা মীওই ৩০০ মুক তোংবা জহাজ অমা সেনাও আইলেন্দগী মরোন্দা তম্না চৎপগী ঈশিং লম্বীদা খঙহৌদনা মৈ হৌরক্তুনা চাক্লকপদগী জহাজ অদুদা তোংলম্বা নুপী অঙাং য়াওনা পেসেঞ্জর খুদিংমক্লা মথ্বায় কঞ্জনবা ঈশিংদা চোংথরম্মী। থৌদোক অদুবু হকথেংননা থেংনহৌবা অব্দুল রেহমান অবু কৌবা মীওই অমনা মিটর ৫০ মুক লাপ্পা মফমদগী থৌদোক অদু ফেসবুক্তা লাইভ থারম্মী। মহাক্কী লাইভ ভিদিও অদু উরুবা মনাক নকপদা লৈরম্বা লোকল ফিসরমেনশিং অমদি ইমর্জেন্সি ৱার্করশিং চঙশিল্লক্তুনা ইরাক্লদুনা শিরল্লগদবা মরাইবক থীরবা মীওইশিং অদুগী (মীওই মরি/মঙা নত্তনা) থৱায় কনবা ঙমখি। মসি সোশল মীদিয়ানা পীবা মশক নাইবা খুদোল অমনি হায়না লৌবা য়াই।

ঙসি মীপূম খুদিংমক্কী খূবামুংদা লৈরবা সোশল মীদিয়া অসি মথৌ কল্লবা অথৌবা থাঙ অমগুম্বনি হায়না লৌবা য়ারে অদুবু মহাক্কী মথৌ অমসুং মগুণদি পায়রু-পায়রুবা মীওইশিং অদুগী মখা পোল্লি। অথৌবা থাঙ হৈশিংলবা ডাক্তর অমগী মখূৎনা পায়রুরগনা ওপরেশন তৌবদা শীজিন্নদুনা মীওইবগী পূন্সি কনবা ঙম্মী। য়ূমগী হাউস ৱাইফকী মখূৎনা পায়রগনা এঞ্জাং শেমদুনা মীওই কয়াগী অরাম খৌরাংবা কোকহল্লি, হুরান চিন্থিদা হৈনবা মীওইশিংগী মখূৎতা তারুরগনা লুট পাৎ তৌবা, মীহাৎ মীপূনগী থবক্তা শীজিন্নে। শাহিং চাবা শা-কৈ থেংনবদা মশা কঞ্জনবা শীজিন্নবসু য়াওই। মথৌ কল্লবা অথৌবা থাঙগুম্বা সোশল মীদিয়া অসি লমদম অসিগী ওইনা করম করম্বা মীওইশিংগী মখূৎতা মশীং য়াম্না লৈরমগনি? ডাক্তরনা ওপরেশন তৌবদা শীজিন্নদুনা মীওই কয়াগী থৱায় কনবগুম্বা অফবা থবক্তা মীওই কয়ানা শীজিন্নরমগনি? হাউস ৱাইফ অমনা এঞ্জাং শেম্বদা শীজিন্নবা অদুগুম্না মীওই কয়ানা শীজিন্নরমগনি? মীহাৎ মীপূন তৌবা, লুট পাট তৌবনা শিনফম ওইবা অমদি কাতু কারন তৌবা মীওইশিংগী মখূত্তদি তারম্লোইদ্রা? মশীং থিদুনা চপ চাবা মশীংমক খঙদ্রবসু লমদম অসিদদি থবক লৈতবা, মতম লেনবা অমদি কাতু কারন তৌবা মীওইশিংগী পোষ্টনা মশীং য়াম্না উরি। থবক লৈতবা মীওইশিংনা টাইম পাস ওইনা মতম লেনবদা অকায়বা লৈতে, খঙন চান্নবা মরুপ মপাংশিংদা গুদ মোর্নিং, গুদ নাইট থানবা মশা মশাগী ফোটো ভিদিও স্যের তৌনবদা করিসু অকায়বা লৈতে হায়না লৌরসি, থাগৎচসনু য়েংনীংবনা য়েংজনি, কম্মেন্ট পীনীংলগসু পীজসনু। য়েংনীংদবা থবক চিনবা মীওইশিংনা য়েংদবসু য়াই। মদু নত্তনা অশাবা, অরানবা, অশেন্বা পাউ থাগৎতুনা অয়েংবা, উরুবা মীওইশিংবু অরানবা লম্বীদা লমজিংবা, লান্না থাজহনবা অমদি অরানবা পাউনা নুংনাংহনবা অদুদি ফত্তে হায়জনীংবনিদা। অরানবা পাউনা মীওই কয়াদা অনৌবা প্রোব্লেম কয়া থোকহন্দবসু নত্তে। ইমান্নবা অমগী ৱারী মতেক অমত্তং পুশিনজগে, ঐগা কোলেজ তম্মীন্নরকপনি, হৌজিক ফাওবা লোয়নরি, চহী য়াম্লে ৮০ তানখৎলক্লিবনি। হায়পরটেন্সনগী লায়নাগা শাগোন্নদুনা হিংবনি। নোংমা ময়ূমদা চৎলুবদা ডাক্তরগী গুলি চাদ্রে হায়রকই, মনা-মশিং খরসু পুথোরকই। মদু চাবদগী বি পিকা নোর্মেল তারে, গুলি চাদবা নুমিৎ ১০নিমুক শুরে হায়রকই। কনানা তাক্লকপনো হংলুবদা ফেসবুক্তা থেংনবনি, য়েংদুম য়েংগে হায়না চারুবনি, হকচাং য়াম্না নুংঙাইরে, ঐবুসু চাউ হায়রকই। ঐনা ডাক্তর তান্নরগা মখোয়না হায়বা গুলিদু চাং নাইনা চাউ হায়বদা চাউ য়াদে। চাগদবা মানা য়াদ্রবদা করিদি তৌরুনি?

মতম খরগী মতুংদা নোংমা ফোন তৌরুবদা ষ্ট্রোক তৌরক্তুনা গুৱাহাটি য়ৌরে, হোস্পিটালদা লৈরি, খরা ফরে, থোরক্লগনি হায়রকই। থোরক্লবা মতুংদা নোংমা ময়ূমদা উনরুই। মনা মশিংশিং অদু চারিবরা হংলুবদা চাদ্রে হায়রকই। লৈরিবরা ঐসু খরা লৌগে লাক্লিবনি হায়রুবদা য়ারে-য়ারে, নোক্লরক্লনু থাজরুবা য়াবা নত্তে, লানবু লাল্লমগনি হায়রকই। মহাকখক্তা ওইরম্লোই থাজরুবনা দষা তাবা মীওই কয়া অমসু লৈরমখিনি। ফেসবুক অমসুং য়ুট্যুবতা থাগৎনরক্লিবা ময়ামসে কয়াদি য়াম্লে? থোং থাকপা, চাবা-থকপা অমদি হকচাংগী শাথেক উৎপা অমদি হকচাংগী কয়াৎ নিকপা-খোৎপদগী হেন্দোক্তুনা ডাক্তর শাবা মীওই কয়া অমসু য়াওরক্লে। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ডাক্তরনা লায়েংবদা ফগৎলকপগী চাং য়াম্না নেম্না লৈরিবা অরু অরুবা লায়না কয়া খুদক্তা ফহনবা ঙম্বনি হায়বা মনা-মশিং অমদি মরূ-মরাং কয়া থাগৎনরকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি। কনানবু নানীংগনি? নারক্লবসু ফনীংবনিনা থাজবু থাজরুবদি চাং য়েংনীংবা হায়বসিদি মীওই মপোক্কী চৎনবী ওইবনা চাং য়েংনরি, নাতৈ চাখিদ্রগনা মদুনা মরম ওইরগা খুদোং চাদবা কয়া মায়োক্লবসু য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা ওইদ-পাদবা (থাগৎলিবা মীওইশিংনদি শাওনীংগদবা ৱাহৈনি) কয়া থাগৎলকপদি লেপ্লোই। ভিদিও, পোষ্ট মশীং য়াম্না থাগৎপা, লাইক, কম্মেন্ট মশীং য়াম্না ফংলবদি শেল ফংইসু হায়নরকপনা অচুম-অরান, অফ-ফত্ত খঙদনা (খন্থদনা) থাগৎনরক্লে, মতুং তাবদসু লেপ্তুনা থাগৎনরকখিনি। থিংলুবসু ঙল্লোই, কনানা মদু ময়ামদু স্ক্রিনিং তৌদুনা য়াই-য়াদে খঙদোক্তুনা চুম্মী-লাল্লি হায়বদু থিগৎতুনা থিংলুগনি? অসিগুম্বা মীওইশিং অসিদগী খুদোংথীবা মায়োক্লদনবা ঐখোয় ইশা ইশানা চেকশিঞ্জবা তাবনি।

লমদম অসিদদি হেন্দসেদ অপাকপা পায়দবা মীওইবু লৈরল্লরোই, পায়রিবশিং অদুসু নেটপেক লোইনমক হাপ্লমগনি। মোবাইল ফোন থোরকপদগী থবক চিনবগী চাংসু হেনগৎলক্লে। অয়াম্বা মফমদা ফোন য়েংদুনতা লৈবা মীগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। য়াদে হায়না হায়না গাড়ী থৌনা থৌনা ফোন পায়বগী চৎনবীসু থাদোক্ত্রি। মসিনা মরম ওইরগা লম্বীগী খুদোংথীবা থোকপগী চাংসু ৱাংখৎলক্লি।। মীওইবগী ৱাখলসু মালেমগী অওনবদা য়াওখ্রমাল্লে, গাড়ী অতাঙবা তোংলবসু, ফিরোল অনানবা শেৎলবসু, ইংলিস ফজনা ঙাঙবা ঙল্লবসু (লাইরিক হৈরবসু হায়নীংদে) মীনুংশি লৈবা, তৌগদবা তৌরোইদবা খন্দোকপা (খঙদোকপা ঙম্বা অহান অকোন (প্রাইওরিটি) খঙবা মীগী মশীংদি নোংম-নোংমগী হন্থরক্লি। করিগুম্বা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক অমা থেংনবদা থেংনরিবা মীওইশিং অদুগী (লোইনমকপুদি নত্তে) অহানবা ইন্টেনশন অসি থৌদোক অদু ফোন্দা ভিদিও, ফোটো লৌরগা ফেসবুক্তা থাগৎপনা ওই। হোয় দরকারবুদি ওই, খুদোংথিবা নংলিবা মীওইশিং অদুগী ইমুং মনুংদা পাউ য়ৌনবা থাগৎপা য়াই অদুবু অহানবা ওইনা মথৌ তারিবদি অশোকপশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুবনি। মতম চানা হোস্পিটাল য়ৌরবদি হিংজবা য়াবা অশোকপা কয়া মতম চানা য়ৌদবনা মরম ওইরগা থৱায় মাঙখিবসু য়াওদবা নত্তে। চাওখৎলবা মতমসিগী কান্নখ্রবা পোৎশক অসি অমোৎ অকায়গী ভিদিও, ফোটো থাগত্তুনা অরানবা, শেমদোক-শাদোল্লবা পাউ থাগৎতুনা মীওই কয়াদা চমম্লবা পোকহল্লিবা অসি অফবগী খুদম নত্তে। মসিনা মরম ওইদুনা ঙসিদি ফেসবুক, য়ুট্যুবকী পাউশিং অয়াম্বনা থাজবগী ৱাংমদা লাক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। থাজরুবা কয়ানা খুদোংচাদবা মায়োক্লখিবসু য়াওদবা নত্তে। পূন্নমক অসিগী অমত্তা ঙাইরবা সোল্যুশনদি মোবাইল ফোন পায়রিবশিং পূন্না ৱাখল তামিন্নবনি, কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবনি। নৎত্রবদি থাজরুবা মীওইশিংদা

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ১

- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -

অতিয়াদা থোক্লিবা নুমিৎ অমদি থা অনীগী মৈশা-মঙাল, অতিয়াদগী চুথরক্লিবা নোংজু অমদি মঙোন্দগী মালেম তম্না হুমথরক্লিবা মালংবা নুংশিৎ অহুম অসিগী তাইনফম ওইরিবা মালেম লৈশা অসিদা (তাই) পক্শিন্দুনা হিংলিবা (পক্) মী কৌবা থৱায় পানবা (মী) অদুবু 'তাইপক্ মী' (তাইবঙ মী) হায়না কৌনবনি। 'তাইপক্ মী' হায়বসি মখল অনী থোক্লা খায়দোকপা য়াই হায়জনীংই। অমনা লৈশেম-নুংশেল্লকপা মতমগী ইরোই লোইরক্পদা য়াওরকখিবা 'তাইপক্ মী' হায়বা অমা, অদুগা অতোপ্পা অমনা ইমাগী পিবুকনুংদগী থোরকখিবা অঙাং নৌৱা ওইবা 'তাইপক্ মী' হায়বা অতোপ্পা অমা হায়রিবা মখোয় অনী অসিনি হায়জনীংই।

চীংলৈপাক ওইবা ইলৈপাক (কংলৈপাক/মণিপুর) অসিগী চীং অমদি তম্পাক্লম অনীমক্তা খুন্দারিবা য়েক তরেৎ (য়েন তরেৎ) লৈবা তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপ পূন্নমকশিং অসিগী হৌরকফম ওইবা (হৌ) মী কাঙলূপশিং (মী হায়বদি হৌমীশিং (aborigines) অদুদি মথক্তা পঞ্জখিবা লৈশেম নুংশেমলকপদা য়াওরকখিবা 'তাইপক্ মী' হায়রিবা কাঙলূপশিং অদুনি। হায়রিবা হৌমীশিং অদু অতোপ্পা মফম/লৈপাক অমত্তদগী লাকখিবা নত্তে, লৈশেম-নুংশেমলকপগী থৌওং মতুংইন্না ইলৈপাক অসিগী অতোঙবা চীংগী শরুক ওইবা লৈপাক লৈশাদগী ওইরকখিবা/ওল্লকখিবা ঙাক্তনি হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি। হায়রিবা হৌমী ওইবশিং অদুদি মথক্তা পঞ্জখিবা য়েক তরেৎ (য়েন্ তরেৎ) লৈবা মী কাঙলূপশিং অদুগী ইপা-ইপু ওইবশিং অদুনি। হায়রিবা ইপা-ইপু ওইবশিং অদুগী মচা, মশু অমদি শুথাং ওইবা মী কাঙলূপশিং অদুদি ইলৈপাক অসিদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা য়েক্ (য়েন্) তরেৎকী মমিংশিং লৈবা তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপশিং অসিনি। মখোয় অসিবু পুন্না 'য়েলহৌমী' (ইন্দিজিনস পিপল) হায়না কৌনরি।

ইপা-ইপু ওইবশিং অদুগী ঈনা মথং-মথং য়েন্থোরক্তুনা (য়েন্) ইলৈপাক অসিদা খুন্দাবা হৌরক্লিবা (হৌ) মী কাঙলূপ (মী) অদুবু 'য়েন্হৌমী' হায়না কৌনবনি। অমরোমদনা, হৌরকমী ওইবগী ঈ মরীনা (ঈ) য়েন্হৌমী ওইবশিংবু পান্নরকপগা লোয়নননা (পা), হায়রিবা ঈ মরী অদুমক্লা (ঈ) য়েন্হৌমী ওইবশিং অদুবু পুরিবা (পু) অদুবু 'ইপা-ইপু' হায়না কৌনবনি।

হায়রিবা ইপা-ইপুশিং অদুগী মচা, মশু অমদি শুথাং ওইবা য়েন্হৌমীশিংনি লোয়নননা ইপা-ইপুশিং অদুগী ঈনা ইলৈপাক অসিগী য়েলহৌমী ওইবশিংবু পান্নবিরি অমদি পুবিরি হায়বসি তোঙান তোঙানবা য়েককী (য়েন্গী) মমিং মমিংশিং অদুনা তাকফম থোকই লোয়নননা ফোঙদোকফম থোকই। মরম অদুনা ইশানা ইশাবু মশক তাক্লনবগী মতাং, মতম অমদি মরম পূন্নমক্তা ইশা ইশাগী য়েককী (য়েন্গী) মমিং মমিংশিং শীজিন্নফম থোকই হায়জনীংই। অসুম্না শীজিন্নবা অসিনা ইলৈপাক অসিগী য়েন্হৌমীশিংনি হায়বদু মালেম পূম্বগী মমাঙদা ফোঙদোকপা অমদি মশক তাকপা ঙমগদৌরিবনি। লোয়নননা ইপা-ইপুশিং অদুনা চেল্লম্বা মতিক-ময়াই অমদি মঙম অহুম অসি চেন্নরক্তুনা য়েন্হৌমী ওইবশিংগী অমত্তা ওইবা অপূনবা ৱাখল্লোন, অপূনবা লিংজেল, অপূনবা থৌনা, অপূনবা মীৎয়েং, অপূনবা লোনচৎ অসিনচিংবশিং অদু য়েন্হৌমী ওইবশিংনা অমত্তা ওইনা শাগৎমিন্নবা ঙম্নরক্কনি।

'শা' হায়বদি অতোপ্পগী খনবা ঙমদবা, অতোপ্পবু নুংশিবা হৈতবা হায়বদি মশাগীতা খনবা নৎত্রগা মহাক্লা তিল্লুরিবা ইমুং মনুং নৎত্রগা মী কাঙলূপ অদুখক নুংশিবগী ৱাখল্লোন চেনবা মী কাঙলূপ অমদি 'শাহিং ঙাকহিং চাপা' হায়বদি 'হায়রিবা শাগী ৱাখল্লোন মতুংইন্না (শা) হিংলক্লিবা অদুবু (হিং) ঙাক্লা (ঙাক্) হিংবা অদুগা (হিং) চান্ননা (চা) লৈপা (লৈ)" অদুগী ৱাখল্লোন চেনবা মী কাঙলূপ হায়রিবা কাঙলূপ অনী অসিনা ইলৈপাক অসিগী মপান্দগী লাক্লুগা ইলৈপাকসিগী য়েলহৌমীশিংনি হায়জিন্দুনা লৈশিল্লবা মতুং মপানগী শাফুগা লোয়নননা ইলৈপাকসিদা লান্দারকপা (লানতারকপা) মতমদা হায়বদি মশাগী মরৈবাক মরমদম নত্তবা ইলৈপাকসিদা লানশিল্লক্তুনা (লান) হায়বদি ক্রোস তৌশিল্লক্তুনা তাশিনবা নাইনা (তা) লাক্তুনা (লাক্) লৈরবা (পা) মতমদা, ময়োনলমগী লৈঙাক্লোইশিংনি (রুলিং পর্সনশিংনি), ৱায়েল মপুনি (জুদিসিয়ারি পর্সনশিংনি) অমদি লৈঙাক ৱায়েল অনীগী থৌদালোইশিংনি (এগজিক্যুটিভ পর্সনশিংনি) হায়রিবা ময়োনলমগী মীশিং অদুগা লান্দারক্লিবশিং অদুগা লৌতুনরকপা মতাং অমদি মতম অদুদা ইলৈপাকসিগী লৈঙাক্লোইশিংনি, ৱায়েল মপুনি অমদি লৈঙাক ৱায়েল অনীগী থৌদালোইশিংনি হায়রিবা ইলৈপাক মনুংগী ইলৈচাশিং অসিনা লান্দারক্লিবা অমদি লৌতুনরিবশিং অদুগী য়াকা (য়াকাং) ঙাইদুনা লৈরকপা মতমদা হায়বদি মখোয়না য়ারগা (য়া) কাংথোরকপা (কাং) অদুবু ঙাইদুনা লৈরকপা মতমদা - মথক্তা পঞ্জখিবা য়েলহৌমী ওইবশিং অমত্তা ওইবা অপূনবা ৱামেনলোন, অপুনবা লিংজেল, অপুনবা থৌনা, অপুনবা মীৎয়েং, অপুনবা লোনচৎ হায়রিবশিং অসি শাগৎমিন্নরকপা মতম অদুদদি ইলৈপাক অসিবু পুন্না ঙাকমিন্নবা ঙমগদৌবা ঈগী ঈচেলশিং হকচাং কয়াৎনুংদা চেন্নরকপগা লোয়নননা থম্মোয়নুংদা হায়রিবা ঈচেলশিং অদু তুংলক্কনি হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি। ইশা ইশাগী ঈবু মশক তাক্লিবা য়েককী (য়েন্গী) মমিং অদুগা ঐহাক ইশাগা লোয়নরকপগা লোয়নননা য়েককী মমিং অদুবু মফম, মতম অমদি মরম অহুমখক্তা শীজিন্নরকপনা মরম ওইদুনা ইপা ইপুগী মতিক ময়াই অমদি মঙম অহুমসি য়াওবা ঈনা হকচাং কয়াৎনুংদা চেনশিল্লকপা (চেন্) অদুনা হায়বদি 'ঈগী ঈচেল' অদুনা থম্মোয়নুংদা তুংলরবা মতম অদুদদি ইপা ইপু ওইবশিং অদুগী থৌজাল (থৌ-চান) ওইববু মহৌশানা অদুমক ফংলবনি। লোয়নননা অদুগুম্বা থৌজালদু মতম পূম্বগীনি, হোংবা নাইররোইদবনি হায়জনীংই।

ইপা ইপু ওইবশিংগী ৱাখল্লোনশিংনা থৌদারক্লিবা অদুগা (থৌ) চান্ন-চিন্ননা হিংবা অমদি লৈবা ঙমজবা (চান্) অদুবুনি থৌ-চান (থৌজান্) হায়না কৌনগদৌরিবসি। অমুকসু, তাইবং (তাইপক্) মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপ অমা হেক্তনা তমজবা ঙল্লগদি মী হায়বা কাঙলূপ অদুগী থাক্তগী কুমথখিদুনা শা ওইখিগদৌবগী মহুত্তা মী হায়বা কাঙলূপ অদুগী থাক্তগী কাখৎখিদুনা মীওইবা (মীওইপা) কৌবা তাইবং মী (তাইপক্ মী) হায়বদু ওনবা য়াগদৌবা অদুগুম্বা ইপা ইপুশিং অমদি ইমা ইবেলশিং অদুনা পাল্লম্বা য়ূম্বান-কৈবান, লমচৎ-শাজৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, থৌগল্লোন, ইরু-ইশেং, চাকচা-য়ুথক, ফিজেৎ-লৈতেং অসিনচিংবগী ৱমেনলোন অমদি চৎন-কাঙলোনশিং অদুনা থৌদারক্লিববু ৱাইশিন্দুনা চান্ননা লৈবা অমদি হিংবা অদুবুনা থৌচান্ ফংবা (থৌজান্ ফংবা) হায়না কৌনগদৌরিবনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## উসব, চাকচা-হৈজানবদা চাক্লুক তম্না চেনশিন্নরকপা, হোৎচিন্নরকপা

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরী ঐখোয়গী উসব-মেলা, চাকচা-হৈজানবদা পুল্লপ পূন্না অমুক্তদা চামিন্নবা হায়বসি মলেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অতাঙবনি, লেমজনীংঙাইনি। অদুবু মমাঙঙৈদা চৎনরমদবা মওং অমা হায়বদি পুজারিনা চাক তাকত্রিঙৈদা অঙাং মচা নত্তবদা অহল মীয়াই চল্লবা নুপা-নুপী কনাগুম্বনা নংহৌররোই মতাগুম চাক্লুক তম্না হোৎচিন্নরকপা, চেনশিন্নরকপা অসি হৌন-খঙদবা মাল্লি। পুল্লপ চামিন্নগদবা অদুগী মগুণ মাঙবনি। মমাঙঙৈদা লানা ময়ায় তারগা চাক্লুকলা ওইরম্মী লাকপীরিবা পূন্নমক্কী ওইনা। সেঞ্জেংগী খুজাই মচা অমমমনা ঈশিং থক্লবা ওইরম্মী। কনাগুম্বা অহল ওইরবা-ওইরবী নুপা নুপীশিংদি ময়ূমদগী সেঞ্জেংগী অচৌবা খুজাই পুনরক্লম্মী। মদুগী মতুংদা ষ্টিলগী খুজাইনা ঈশিংগী পাত্র ওইরম্মী। চাক্লুক খুদিংগী এঞ্জাং মথেলগী মতুংইন্না লানা দোনা শারগা এঞ্জাং হাপ্নরম্মী। মতম অদুদা পুজারিনা শগোল হৱাই হাপ্লগা চাক তাকই। চাক তাক্ত্রি ফাওবা কনাগুম্বা অমত্তনা হোৎচিন্নরমদে, চেনশিন্নরমদে।

মমাঙঙৈদা বামোন অমনা মী ১০০গী থৌগল তৌরম্মী। মতম অদুদদি উতি অমা, চম্ফুৎ অমা, ইরোম্বা অমা, শগোল হৱাই অমা মথেল ওইনা চৎনরম্মী। কনা কনাগুম্বনা হৱাইজার চগেম পোম্বা তৌনরম্মী। চাক্লুক মকোক ব্রাহ্মন নৎত্রগা খ্বাইদগী অহল অমনা চাকখুমগা নক্লনা ফম্নরম্মী। ব্রহ্মননা প্রসাদি লাওরগা চাক হুক্লরম্মী। পুজারিনা অরোইবদা থুম য়েনদ্রিফাওবা হৌগৎনরমদে। চাক্লুক্তা খূৎ হামজিন্নরমদে। মমাঙঙৈদদি নিঙোল মৱা, য়ূম্লুগা লোয়নননা পূন্নমক্কী থৌগল তৌনরম্মী। অতোপ্পা মী নেক্লরমদে। লাকপীরিবা পূন্নমক নিশা-পশা অমত্তা শীজিন্নরমদে। কায়নরমদাই, লোইশিল্লকপদা থৌগল্লোন ব্যবহার য়াম্না ফজনা খুরুম্লগা কায়নৈ। মণিপুরী ফূরুপ ঐখোয়গী চৎনবী অসি অতৈ ফূরুপশিংগী মমাঙদা লেমজনীংঙাইনি। লাকপীরিবা পূন্নমক ফকশাং থারগা ফম্নরম্মী। মচি মচিদা চোইথোক্লরমদে।

অরোইবদা ইজরিবা ঐহাক্লা করিগুম্বা ৱাফম খরা থমজরি মদুদি উসব-মেলা, চাকচা-হৈজানবদা ব্রাহ্মন, পুজারিনা প্রসাদি লাওদ্রিঙৈদা চাক্লুক মকোক ফম্বনা চাক হুকপা হৌদবা, থৌদোক ৱাথোক হায়বদি হৈজিংপোৎ, লাইরিক তাবা, লুহোংবা থিল্লকপা অসিনচিংবদা ভাবোক অকোয়বদা য়ূম্বুনা চা য়েল্লকপদা হান্না য়েল্লকপা অহল অদুনা ভাবোক অকোয়বদা ফল্লিবশিং লোইনা থুংদ্রিঙৈ/য়েনবা লোইদ্রিঙৈদা অহানবদা থুংবদুনা থকপা হৌদবা, ঙাই শেন্না ক্বা লান্নদ্রিবা ফাওবা, মাম্মগী ফম থাবগী দক্ষিনা তৌদ্রিবা ফাওবা ভাবোকশিং হৌগৎলগা চৎপীদবা, খ্বাইদগী মরু ওইবনা ব্রাহ্মন, পুজারিনা চাক তাকত্রিঙৈদা চাক্লুক তম্না চেনশিন্নদবা, নংহৌররোই মতাগুম হোৎচিন্নদবা অসিনচিংবা কয়া অসি ভাবোকশিংনা খঙজিনবা তঙাইফদে হায়জনীংই।

**অদোমগী - থিংবাইজম ইতোৱী**
তোপ অৱাং লৈকায়

## মমল য়ামখ্রবা মীওইশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎনবগী পরিং অমা য়াৎলম্বগী অহানবা পরম ওইহৌরগনি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুর লৈঙাক্কী পুৱারীদা ইহান হান্না থোকপা থৌদোক অমা ওইনা ২৩/৭/২০২৫দা তাইবঙপান থাদোকখিবা মণিপুরগী তাঙলবা মনি রতন থিয়াম্না লৈখিদবদা মণিপুর লৈঙাক্লা জাতিগী ফিরাল তঞ্জাই চিংথদুনা অমদি লৈঙাক্কী ওইবা হরাও তয়াম্বগী থৌরম অমত্তা পাঙথোক্লোই হায়না লৌখিবা ৱারেপ অসিগীদমক মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচবগা লোয়নননা ইকোক নোঞ্জরি।

হৌখ্রিবা মতমদা মণিপুরগী শক্লাইরবা ধুমকেতুগুম লমদম অসিদা তাঙনা পোকপীখিবা মীওইশিং মীং ওইনা খরদং পঞ্জরবদা নিংথৌখোংজম পাবুং খেলচন্দ্র, ওজা তোংব্রম গীতচন্দ্র, ইমাশি মহারাজকুমারী বিনোদিনি, ওজা লাইশ্রম সোমোরেন্দ্রো, ওজা এলাংবম সোনামনি, ওজা এলাংবম নিলকান্ত, রাজকুমার চন্দ্রজিৎ সনা (আর কে সী এস), ঐজ্ঞা বাচস্পতিময়ূম জয়ন্তকুমার, তামো নোংমাইথেম পহারি, মিষ্টর ইন্দিয়া ফংদুনা মিষ্টর য়ুনিভর্স শরুক য়াখিবা মিষ্টর মায়পাকনচিংবা মীওইশিংবু মতম মতমদুদা পাল্লম্বা লৈঙাক্লা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ইকায়খুম্নবা উৎপীখিদে।

অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌবগুম য়াম্না মপূং ফাবা ইকায়খুম্নবমক উৎত্রবসু হন্দক্কী লৈঙাক অসিনদি খরদং ওইরবসু ইকায়খুম্নবা উৎপীরকপা অসিমক মণিপুর মীচম অমা ওইনা লৈঙাকপু থাগৎচবা ফোঙদোকচরি।

তুংদা লাক্কদৌরিবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা মমল য়ামখ্রবা মীওইশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎনবগী পরিং অমা য়াৎলম্বগী অহানবা পরম ওইহৌরগনি।

**অদোমগী - গুরুময়ূম নির্মল**
ৱাঙ্খৈ থাঙ্গপাৎ মপাল, ইন্ফাল ইষ্ট

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৮কী ৱাহং**

১) "সুজাতাগী মঙনি। চহী কুন্দগনিথোই মমাঙদা ওইখিবা অয়ূক অমদা অমুক হল্লকই।" ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহানবা পরেংনি। লাইরিক অসিগী মমিং অমদি ট্রান্সলেটরগী মমিং করি কৌবগে?

২) 'অমম-অঙান' হায়বসি দ্রামাগী খোমজিনবা লাইরিক অমদা য়াওবা দ্রামা অমগী মমিংনি। য়াওরিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং অমদি লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) "ঈঙাং তৈরবা চেবাংগী করম্বা লামায়দা
করম্না ইসিগে চোকথরবা খূৎসিনা
হামুক তৈবা নঙগী ঙসিগী পুৱারীসে।"
শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

৪) "ঈগী খোঙ্গুল লীবা" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) "মাই মেনকা হায়বীদো" হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।